# ৩৩শুবা এন হজারি এন্দ ডাঃ এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট

## মণিপুর পুলিস, চিঙ্খেহুনবা অমদি ইম্ফাল রাইদিং মায় পাকখ্রে





ইম্ফাল, নভেম্বর ১০ঃ
মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসননা শিন্দুনা সগোলকাংজৈ টিম ২৮না শরুক য়াদুনা নোক আউৎ বেসিসতা মমাং থা ওক্তোবর ২৮দগী মপাল কাংজৈবুংদা চথরিবা ৩৩শুবা এন হজারি এন্দ ডাঃ এন তোম্বী ষ্টেট সগোলকাংজৈ (পোলো) টুর্নামেন্ট ২০১৭কী ঙসিগী অহানবা মেটচতা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এ)না কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুল (এ)বু পাঞ্জল ৩–১ দা অনীশুবা মেটচতা চিঙ্খেহুনবা পোলো ক্লব (এ) না নম্বুল মপান পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ১০–২ দা অমদি অহুমশুবা মেটচতা ইম্ফাল রাইদিং ক্লবনা সি আর পি এফ পোলো টিমবু ৮–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসিগী অহানবা মেটচতা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এ) অমদি কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুল (এ) গা লম্বা চান্না থেংনবদা মণিপুর পুসিল ক্লব (এ) না পাঞ্জল ৩–১দা মায় পাকখ্রে।

মেটচ অদুদা মায় পাক্লবা মণিপুর পুলিস স্পোর্ট ক্লব (এ) গী পাঞ্জলশিং অদু টিম অসিগী জর্সি নম্বর ৩, এস বিমোলনা অহানবা চক্করগী মিনট ২.২৭ অমদি অনীশুবা চক্করগী ২.১১ চৎপদা পাঞ্জল ২ অমদি জর্সি নম্বর ৪ টি ঐচ রঞ্জিৎনা অহানবা চক্করগী মিনট ৭.০৭ চৎপদা পাঞ্জল ১গা চনখি।

মায়থিহৌরবা কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুল ক্লব (এ)গী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১ এ রঞ্জন্না অহানবা চক্করগী মিনট ২.৪৭ চৎপদা চনখি।

অনীশুবা মেটচতা নম্বুল মপাল পোলো ক্লব অমদি চিঙ্খেহুনবা পোলো ক্লব (এ) টিম অনীনা লম্বা তৌনদুনা শান্নবদা চিঙ্খেহুনবা পোলো ক্লব (এ)না য়াম্না লাকচনা পাঞ্জল ১০–২ দা থোইখ্রে।

মেটচ অদুদা চিঙ্খেহুনবা পোলো ক্লব (এ)গী পাঞ্জলশিং অদু টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১ টিম কেপ্টেন টি ঐচ কাওবনা অহানবা চক্করগী মিনট ১.০৭ অমসুং ৫.১৭ চৎপদা পাঞ্জল ২, জর্সি নম্বর ৩ পি লৈশেম্বনা অহানবা চক্করগী মিনট ২.২৬ অমসুং অহুমশুবা চক্করগী মিনট ০.০৫ চৎপদা পাঞ্জল ২, জর্সি নম্বর ৫ এল কোকেশ্বরনা অনীশুবা চক্করগী মিনট ৫.৩৯, অহুমশুবা চক্করগী মিনট ৪.২০ অমসুং চক্কর অসিমক্কী মিনট ৬.৩৭ চৎপদা পাঞ্জল ৩, জর্সি নম্বর ৪ এ বসন্তনা অহুমশুবা চক্করগী মিনট ৩.৫৫ অমসুং ৫.১২ চৎপদা পাঞ্জল ২ অমদি জর্সি নম্বর ৬ ৱাই সুরজনা ৪শুবা চক্করগী মিনট ৩.১২ চৎপদা পাঞ্জল ১গা চনখি।

মায়থিহৌরবা নম্বুল মপাল পোলো ক্লবকী গোল অনী অদুনা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ৩ টিম কেপ্টেন এল তরুননা অহানবা চক্করগী মিনট ৩.১১ অমদি জর্সি নম্বর ৪ টি ঐচ মোমোচানা মরিশুবা চক্করগী মিনট ০.০৬ চৎপদা পাঞ্জল অমমম চনখি।

মেটচ অদুদা এম জৱান অমদি কে জোগেন্দ্রোনা অম্পিয়র ওইখি।

ঙসিগী অহুমশুবা মেটচতা ইম্ফাল রাইদিং ক্লব অমদি সি আর পি এফ পোলো টিম অনীনা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবগা লোয়ননা ইম্ফাল রাইদিং ক্লবনা পাঞ্জল ৮–১ দা থোইখ্রে।

মেটচ অদুদা মায় পাক্লবা ইম্ফাল রাইদিং ক্লবকী পাঞ্জলশিং অদু টিম অসিগী জর্সি নম্বর ২ এল রোহিদনা অহানবা চক্করগী মিনট ৪.২০, অহুমশুবা চক্করগী মিনট ০.০৫ অমসুং মরিশুবা চক্করগী মিনট ৫.০৫ চৎপদা পাঞ্জল ৩, জর্সি নম্বর ৩ এস দোল্লরনা অহানবা চক্করগী মিনট ৫.৫৬, অনীশুবা চক্করগী মিনট ৬.২২ অমসুং মরিশুবা চক্করগী মিনট ২.০৬ চৎপদা পাঞ্জল ৩, জর্সি নম্বর ১, ওমেস গুরুংনা অনীশুবা চক্করগী মিনট ১.১৫ চৎপদা পাঞ্জল ১ অমদি জর্সি নম্বর ৪ এন রঞ্জন্না অহুমশুবা চক্করগী মিনট ৫.০৫ চৎপদা পাঞ্জল ১গা চনখি।

মায়থিহৌরবা সি আর পি এফ পোলো টিমগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ৫ ৱাই ওকেন্দ্রানা অহুমশুবা চক্করগী মিনট ১.৫৮ চৎপদা চনখি। মেটচ অদুদা এস বিমোল অমদি এম বেবেকানন্দনা অম্পিয়র ওইখি।

# ৫শুবা নোর্থ ইষ্ট কেস প্রাইজ টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ–২০১৭

ইম্ফাল, নভেম্বর ১০ঃ
মণিপুর টেন্নিস এসোসিয়েসননা শিন্দুনা ৫শুবা নোর্থ ইষ্ট টেন্নিস কেস প্রাইজ চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭ লম্ফেলপাটতা লৈবা ওফিসার্স ক্লবকী দেকোল টর্ফতা চথরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি কোর্ট ১দা শান্নখিবা মেন্স ওপন দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেলদা মীজোরামগী লালহমাচুএ অমদি মহেসনা মণিপুরগী রাহুল অমদি আজদপু ৬–২, ৬–৪ সেট অনীদা মায়থিবা পীখ্রে। অমালনজোটি অমদি রুপম গোগোইনা বুসান অমদি লুচিংবু ৬–২, ৩–৬, ১০–৩ সেট অহুমদা মায়থিবা পীখ্রে। প্রকাস অমদি রঞ্জননা বরককোদি অমদি ঐচ ইবোতোম্বীনা ৬–৪, ৭–৬ (৭–৪) সেট অনীদা মায়থিবা পীখ্রে।

চহি ৫৫ মথক্কী নুপাগী দবলস ক্বার্টর ফাইনেলদা বালককোটি অমদি ইন্দ্রকুমারনা সাসনাকা অমদি কে এস ঐচ জয়বু ৬–৭ (৩–৭), ৬–৩, ৭–৬ (১০–৭) সেট অনীদা মায়থিবা পীখ্রে।

চহি ৪৫ মথক্কী নুপাগী দবলস সেমি ফাইনেলদা দুত্ত গুপ্তা অমদি এস সরদা না প্রকাস অমদি রঞ্জনবু ৬–১, ৬–৩ সেট অনীদা মায়থিবা পীখ্রে।

মেন্স ওপন দবসলকী সেমি ফাইনেলদা ব্রোজেন অমদি রিবাস্করনা লালহমাচুএনা অমদি মহেসবু ৬–১, ৬–৪ সেট অনীদা মায়থিবা পীখ্রে। অমালজোটি অমদি রুপম গোগোইনা বোনা অমদি বেক্করবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–২, ৬–১ মায়থিবা পীখ্রে।

# ৫শুবা ভেটরান স্পোর্টস মিট থা অসিগী ২৮দগী হৌরগনি

কাংপোকপী, নভেম্বর ১০ঃ
সদর হিলস দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস ভেটরান স্পোর্টস এসোসিয়েসন মণিপুর (এস ঐচ দি এস ভি আই এম) না শীন্দুনা চহিগী ওইনা পাঙথোকপা ভেটরান স্পোর্টস মিটকী মঙারক শুবা কম্পিটিসন থা অসিগী ২৮দগী এসোসিয়েসন অসিগী হোম গ্রাউন্দ ওইরিবা ঙামুনদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

কুমজা ২০১৭তা পাঙথোক্কদৌরিবা ৫রক শুবা এস ঐচ দি এস ভি আই এমগী চহি অসিগী ওইবা কম্পিটিসনদা চুরাচন্দপুর অমসুং চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী ভেটরান শান্নরোইশিংসু অহানবা ওইনা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদৌরি।

চুরাচন্দপুর অমসুং চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট ভেটরান শান্নরোইশিংনা শরুক য়ারক্লিবা অসি শান্নবগী লমদা কাংলুপ অমগা অমগা নুংশি চান্নবা লৈমিন্নবগী অচৌবা খোঙথাং অমা ওইনা লৌবা ঙমগদৌরি হায়না এস ঐচ দি এস ভি আই এম গী সেক্রেটরী জেনরেল এন এস গাংতেনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

এস ঐচ দি এস ভি আই এমগী মখাদা লৈবা টিম অমসুং শান্নরোইশিং লোয়ননা চান্দেল অমদি চুরাচন্দপুরগী শান্নরোইশিংনা স্পোর্টস মিনিষ্টর অসিদা শরুক য়ানবগীদমক্তা দিষ্ট্রিক্টশিং অদুগী মাইকৈদগী লুপা ৩,০০০গী ইন্ত্রি ফি গা লোয়ননা থা অসিগী ২৫ ফাওগী মনুংদা মেন্সিল্লবা চেরোল পীশিল্লকদবনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।

# ২২শুবা ব্রিন্নর্স কপ ২০১৭

## এ এফ সি অমদি য়ু কে বি মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, নভেম্বর ১০ঃ
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা)না শিন্দুনা দিষ্ট্রিক্টশিংগী ৱিন্নর ওইরবা টিম ১১না শরুক য়াদুনা নোক আউৎ অমসুং হোম এন্দ এৱে বেসিসতা থাসিগী ২৩দগী চথরক্লিবা থাংজম বিরচন্দ্রা–মায়পাকপি মেমোরিয়েল ২২শুবা ৱিন্নর্স কপ ফোর মেন ২০১৭গী ঙসি শান্নখিবা ফার্ষ্ট লেগকী সেমি ফাইনেল অমদা য়ু কে বি চুরাচন্দপুরনা রাউ ইম্ফাল ইষ্টবু গোল ১–০দা অমদি অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদনা এ এফ সি থৌবালনা এন জি ক্লব ইম্ফাল ৱেষ্টপু গোল ২–০দা মায়থিবা পীখ্রে।

দি এস এ থৌবালগী টিম এ এফ সি থৌবালগী হোম গ্রাউন্দ ওইনা আর ৱাই দি ও গ্রাউন্দ চরাংপাৎতা এ এফ সি অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনগী টিম এন সি ক্লব টিম অনীনা মান্নবা মওংদা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবগা লোয়ননা মেটচ অদু এ এফ সি থৌবালনা গোল ২–০দা মায় পাকখি।

মেটচ অদুদা এ এফ সি থৌবালগী মায় পাকপগী গোল ২ অদু মেটচ অদুগী মিনট ৭ অমসুং ১৬ চৎপদা এম দি সহিদুরনা চনখিবনি।

মেটচ অদুগী মিনট ৩৮, ৫৩, ৬৭ অমসুং এদিসনেল টাইমদা এ এফ সি থৌবালগী মথংশিংনা এম দি সহরু খান, এম দি জহিদুর, ৱাই সোভা অমসুং সনদ্রং সিংহ অমদি মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফকী এদিসনেল টাইমদা এন সি ক্লব ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস নেত্ররজিৎপু রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

মেটচ অদুদা জয় সিংহনা সেন্টর রেফরি, অরুনকুমারনা এ আর ৱান, বিদ্যাসগরনা এ আর টু অমদি মন্থবিরনা ফোর্দ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

চথরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ফার্ষ্ট লিগকী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনগী টিম রাউগী হোম গ্রাউন্দ ওইনা আরটিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দ খুমন লম্পাক্তা রাউ অমদি দি এস এ চুরাচন্দপুরগী টিম য়ু কে বিনা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবগা লোয়ননা মেটচ অদু য়ু কে বিনা গোল ১–০দা মায় পাকখ্রে।

মেটচ অদুদা য়ু কে বি চুরাচন্দপুরগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু মেটচ অদুগী হেক হৌখিবা মতুং মিনট ১ চৎপদা পাউসৈ হাওকিপনা চনখিবনি।

মেটচ অদুগী মিনট ৫৮দা রাউগী জিতেশ্বর অমদি মিনট ৬৮ চৎপদা য়ু কে বিগী লালিয়ালাল বু রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

মেটচ অদুদা এস তোম্বী, ৱাই সুমরজিৎ, ঐচ মহেস অমদি এস প্রেমকুমারনা মথংশিংনা সেন্তর রেফরি, এ আর ৱান, এ আর টু অমদি ফোর্দ রেফরি ওইনা কন্দক তৌখি।

# মণিপুরগী এন বেবিরোজিসনানা গোল্ড, সনাথোই অমসুং সনামচানা সিলভর অদুগা অসালাতা, এলিনা অমদি মেনেকানা ব্রোঞ্জ মেডল ফঙখ্রে



ইম্ফাল, নভেম্বর ১০ঃ
হারিয়ানাগী সিটি রোতকতা চথরিবা অহানবা জুনিয়র ৱুমেন্স নেসনেল বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭–১৮গী ঙসি পাঙথোকখিবা ফাইনেল বাউটশিংদা মণিপুরগী এন বেবিরোজিসনা চনুনা গোল্ড মেডল ফঙখ্রে। মণিপুরগী অতোপ্পা বোক্সর অনী সনাথোই হেমাম অমদি সনাথোই চনু সিলভর লৌখ্রে। অদুগা ষ্টেট অসিগীমক্কী অতোপ্পা শান্নরোই অসালাতা চনু, টি ঐচ এলেনা চনু অমদি এন মেনেকা দেবীনা ব্রোঞ্জ ফঙখ্রে।

থা অসিগী ৫দগী হৌরককিবা অহানবা জুনিয়র ৱুমেন্স নেসনেল বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী অরোইবা নুমিৎতা মণিপুরগী বোক্সর এন বেবিরোজিসনা চনুনা কেজি ৫২গী কাংলুপ্তা য়ুম্বু ষ্টেট হারিয়ানাগী বোক্সর পুনমবু মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেডল ফঙবা ঙমখিবনি।

কেজি ৫৪গী ফাইনেল বাউটতা মণিপুরগী হেমাম সনাথোইনা হারিয়ানাগী বোক্সর গৌগিতাগা লম্বা তৌনবদা পোইন্ট ২–৩দা মায়থিবা নঙদুনা কাংলুপ অদুগী সিলভর মেডল ফঙবা ঙমখি।

কেজি ৭০গী কেতেগোরিদা মণিপুরগী বোক্সর সনামচা চনুনা হারিয়াগী বোক্সর রাজ সাইবগা লম্বা তৌনবদা মায়থিখিবদগী সিলভর মেডল ফঙবা ঙমখি।

ঙরাং পাঙথোকখিবা অহানবা জুনিয়র ৱুমেন্স নেসনেল বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা সেমি ফাইনেলদা লৈহৌখিবা মণিপুরগী বোক্সর অহুম– ঐচ অসালাতা চনু (কেজি ৫৭), টি ঐচ এলেনা দেবী (কেজি ৬০) অমসুং এন মেনেকা দেবী (কেজি ৬৬) ব্রোঞ্জ মেডল ফঙখি।



য়ু ই এফ এ ফুটবোলগী অনীশুবা রাউন্দগী অহানবা লেগতা গ্রিসপু থোইখিবা ক্রোসিয়ানা গোল পুখিবা

# এম আর ললিট বাবুনা ইন্দিয়াগী নেসনেল চেছ টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়ন ওইখ্রে

পটনা, নভেম্বর ১০ঃ
বিহারগী কোনুং পটনাদা পাঙথোকপা ইন্দিয়ান নেসনেল চেছ চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭তা এম আর ললিট বাবুনা মেডল লৌখ্রে।

নেসনেল চেছ চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী মরিশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা এম আর ললিট বাবুনা ঙসি শান্নখিবা ১৩শুবা অমদি অরোইবা রাউন্দা স্বাপনিল ধোব পাতেগা শান্নবদা শুপ্নগী মুভ ১৪দা দ্রো চৎতুনা মমাংদা ফঙলম্বা পোইন্ট ৮.৫ অদুদা পোইন্ট ০.৫ হাপচিল্লগা পুন্না পোইন্ট ৯ ফঙদুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী টাইটল ফঙবা ঙমখিবনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ১২শুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপদা অরাভিন চিথমবরমনা পোইন্ট ৮.৫ ফঙলগা মকোক ওইদুনা লাকখিবনি।

মহাকপু ঙসি অরোইবা রাউন্দ অদুদা দেবাসিস দাসনা শুপ্নগী মুভ ২৮দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌবগী অশা লৈরম্বা অদু মাংজখি।

অরোইবা রাউন্দা মায়থিহৌরবা অরাভিন চিথমবরমনা পোইন্ট ৮.৫ ফঙলগা অনীশুবা পোজিসন অদু ফঙখি।

ইন্দিয়ান ওইল কম্পনিগী শান্নরোই অমা ওইরিবা এপ আর ললিট বাবুনা নেসনেল চেছ চেম্পিয়ন্সিপ অদুগী অরোইবা রাউন্দা স্বপনিলগা শান্নখিবা অরোইবা রাউন্দ অদুদা য়াম্না পাখৎনা শান্নবা অদুদা শুপ্নগী মুভ ১৪দা খোঙথাং হঞ্জিন–হঞ্জিন পুখৎতুনা দ্রো চৎখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মকোক থোংবা শান্নরোই এম কাথিকেয়েন ঙরাং লোইশিনখিবা ১২শুবা রাউন্দ অদুদা পোইন্ট ৭ ফঙদুনা মমাংদা টাইটল অনী ফঙখিবা অদুগী মখা তানা অহুমশুবা টাইটল ফঙবগী আশা লোইখিবনি।

ঙসি মহাক্না অরোইবা রাউন্দা আর আর লক্ষমনগা শান্নবদা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৭.৫ ফঙদুনা অহুমশুবা তাখি।



নেসনেল চেছ চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড মেডল ফঙখ্রবা ললিট বাবু (ওই) অমসুং রন্নর্স অপ অরাভিন

YELHOULAMGI YELHOUMISINGGI SENMITLON
AMADI KEITHELSINGBU YOKKHATMINNASI

PLIZ VISIT: NINGTHEE TUREL
a mobile shop

oppo vivo Xiaomi SAMSUNG micromax htc LYF GIONEE

Konung Mamang, Opposite Thangal Temple
SL/2631/Alt. 30 days




Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*